## ৱারী মচা

# অদুম্নরা

*— ৱাজেন খুমুকচম—*

অহিং মমৈ ওইশিল্লক্লে। নক্লা অমদি লাপ্পা খোংলম্বা খুনগী হূইশিংসু খোংখিদ্রে। খোংজবতনা নুংঙাইজবী ওইরম্বা কৌজেং হারৌসু নোংদোল লীক্লানা নাওশুমবিখ্রমাল্লে। মরক মরক্তা খুনগী য়েনবাশিংনা তাম্না তাম্না অৱাই অখুম তৌনবতা ঙাইরক্লে। অয়ুক নুংথিলগী মতমদা কোরৌহনবা মানা কোক্তোন লোল্লগা মৈশা মানা হেল্লম্বদু, তরামরিনি পানবা নোংদোল থাজ মানা কোক্তোন লোল্লগা থোয়না হেন্না ফজরক্লে। য়েংবগী পেনবা নাইরক্তরে। লোয়বা খম্বা নাইদবা মীৎকুপ হায়বদু ওইহন্নিংলক্লে। য়েংখি য়েংখিবা খূদিংমক্তা লূপা মচু ঙম্নমক ওনখরে। অসিগুম্বা নুমিৎ অমদনি।

"ইমা ইমা থোঙ হাংলো" হায়রকখিবদু।

"নঙ লাক্লবরা?"

"হোয় ঐ লাক্লে ইমা"

"কদায় চৎলুবগে নঙবো অসুক থেংলবসি ফাওবদা?"

"করিসু চৎতেদা...।"

"করিসু চৎত্রগা অসুক থেংলবা ফাওবা ..?"

"য়াদদুনা তৌবনি হৌজিক্তি ঐ লাক্লসিদি।"

"হায় য়াদবা হায়বসি লৈতবনি।"

"য়ারে তোক্লোবা ইমা।"

"অদুম্নরা?"

অসুম্না মীচিক মীরাওখোল তারক্ত্রবা মতমদুদা মমা মচা অনীনা ওইনবা মরক্তা অমনা অমগী মফমদা ৱাকৎনরি।

তোম্পোক মথক্তা অমা শাৎখিদ্রবা মখাদা অমা পোমখিদ্রবা মমা তম্পাকলৈগী অমত্তা য়াওজবা মচানুপনি। মপানা নৌনা হুন্দোকপীরম্বনা শেৎপা চাবা মহৈ মশিন তম্বদা মনীং থুংলকখিদ্রবা মীশক্লি। মপানা থম্বীরম্বা য়ূমসি নোংমগী চরা লেপ্তনবা হোৎনবদা শেমজিনবা ঙমখিদ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা মশাগী মহৈ মশিন্দা হৌমিন কামিন্নরকপা মমান্নবশিংগা মীমান্ননবা হোৎনবদা নোংমতা পোত্থাবা শঙজখিদ্রবনি। কৈরোল লৈকাইদা অফং অফংবা শু–নোমদুনা মশানা মশাগী মিংজনশেল অমদি ফিজেৎ–লৈতেং পুজরিবনি। লৈদবা য়াদবা খরনা লৈরগা অয়াম্বনা মমান্নবশিংদগী শিন্দুনা ৱাইদুনা হোৎনরিবনি। অয়ুক নুংথিলদা শুবা নোম্বা য়াবা মখৈ চেল্লুরগা নুমিদাংদা য়ূমথক্তগী ফাওথরকপা থাজগী মঙালবু মথানুংদা কোন্দুনা নীংঙাইদনা তুমখুল তানলিবনি।

মচানা সিমা চাগে, সিমা শেৎকে হায়বা লৈতনা হোৎনজবদু উরগা তম্পাকলৈ অহিং খূদিং লোন্না পিরাং শিন্থজখিবনি। তোম্পোক্লসু মমানা লোন্না শিন্থরিবা পীরাং অদু খঙদ–শাদুনা লৈরগা নোংমদি শোয়দনা মমাবু মোমোন নোকহনগে খন্দনতা লৈজখি।

চাবা মচেৎ তুম্বা মচেৎ মোনখাংনদুনা লেল্লকপনা তোম্পোক বি এ ফাওবদি উচিন নাচিন্না পাস তৌরে। মহাক্লা মপা চান্নবা থবক মচা অমত্তং হায়দুনা ইন্টরভিয়ু য়াওবদা মশীং খঙলক্ত্রে। খনগদবা মানবা কয়াসু খল্লকখিদে। উপায় লৈখিদে, ৱাকৎফম খঙখিদে।

হৌজিক্তি তোম্পোক মখা তানা ইন্টরভিয়ু য়াওররোই খনখ্রে। মরক মরক্তা য়ূমদা থেঙনা হঞ্জিল্লকপা, অরাপ অরাপ্পা মফমদা চত্তবা য়াদবা থবক্কীদমক চৎপা তোয়রক্লে। মচাগী হোংলক্লিবপা শাজৎসিদা তম্পাকলৈ লৈতাফম খঙদে। মচানা হল্লক্ত্রিবা ফাওবা অহিং মীংশেল খাঙদুনা ঙাইজখি। করিগুম্বা নুমিত্তনা ঙাইজবা খঙবীদনা হল্লকখিদ্রবা নুমিৎসু মশীং খঙজিল্লক্ত্রে।

নোংমনা শুক্ল মল্লগা অহিং অমদা নাশোল পীক্লা

"ইমা ঐ লাক্লে থোঙ হাংলো।"

"থোঙদু লোন্দবনি ঐসু ইমুং চঙলকপদা ঙাইরি। অসুক থেংলবা ফাওবা নঙবু কয়াম লুবা থবক চৎলুবনো?"

"ঐনা হেন্না হল্লকনিংলিবনি য়াদদুনা তৌরিবনি।"

"নঙগী য়াদদুনা তৌবনি হায়বসি হৈনরেনেকো"

তোম্পোক্লা লাংশিন্নদুনা মমাগী ৱাহংশিং নমহৎনবা হোৎনখি। য়েংঙোই ইমা ঙসিদো চীংগী খুল অমদা খুলদুনা খুন্দারকখিবা চহী ১০০ ফারকপগী থৌরম অমা য়াওরুবনি। ইমানা ঙাইরল্লনি হায়দুনা হেক য়াচঙলকপগী গারীসু লৈতবনা খোঙনা চেন্না চেন্না লাকপনা হৌজিক্তি ইমাগী নাক্তা য়ৌরেদনা।

"চীংগী খুল হায়বা ?"

"হোয়"

"নঙবু মদুদা য়াওদবা ইয়ামক য়াদবরনে?"

মরম পীদনা মমাগী ৱাহং নমহত্তুনা লাংশিল্লকই।

ইমা খুলদো কয়াম ফজে! খুলদুগী মীশিংদুনা কয়াম ফৈ! উহৈ পানবা উপালশিংনা পরেং পরেং...।

"অদুদগীদি লৈশাবীসু মশক ফজ ফজবা শোয়দনা য়াওরল্লগনি নৎত্রা?"

"ঐখোয় ইমাসিমা"

"নত্তে নঙবু মশক ফজবা য়াওরবদি ইমাগী মতেং ওইনবা অমা পুরকপা য়াদবরা হায়মী?"

"নত্তে ইমাবু চীংমী নিঙোল পুরকই কায়না হায়রোইদ্রনে?"

"করিগী চীংমী, হায়রোই হায়রোই ইমাদি অদুগুম্বা পীদা নত্তে"

"ওইবগীরা ইমা"

মমাগী শম্পৎ অতৈ ককপী ৱাহৈদু শীজিন্নরকখি।

"অদুম্নরা?"

মমাগী মতৌদুদা তোম্পোক পূক্লিং মকা লামজখি। মমানা মখা তারকখি, "ইমাগী তোম্পোক, ইমানা নঙবু নথন্তনি হায়দুনা নুংশিনা তোম্পোক থোল্লবনি। পীক্লি ঙৈদদি নপানা নঙবু নুংশিনা অচৌবা হায়না থোল্লম্বনি। ফরে হৌখিবনা হৌখ্রসনু, মসিনা নাকল মদা থমখ্রসি। হৌজিক নঙনা তৌগদৌরিবা তৌগে খল্লিবা থবকসিবু করিনো ইমাদা অমুক্তা হায়য়ু।" মখা তারকখি, "নমা ঐসে হিংলবসু পংকুই কুইনা পূন্সিগদবা মান্দেকো। নঙ ৱাখল লমফৈ চৎকনু। নঙনা য়ূম অসি নপাগী মহুৎ শিন্দুনা লেপহৌবদু উরগা ইমা খুয়া তুশিৎনা শিজখিগে, নৎত্রবদি ইমা শিবা ঙম্লোইদৌরি" মমাগী ৱাহৈশিং অদুনা তোম্পোক খেংলম্বা লাংলম্বা পুম্বা মীৎকুপ্তা স্বাই মাঙখিরম্মী।

নীশিংবনা মীৎমাঙদা পরেং শানা লেংলকই। চীংমী নিঙোল জেসমিনা মাগীদমক কয়াদা ৱাজখিবা মাবু কয়াদা লুনা চান্না তৌবিখিবা। উহৈ অমুনবা ফজবা অমত্তং লৈবদা মাগীদমক লোত্তুনা থল্লমখিবা। শান্নবা ৱারীগী হেক হেক লোয়শিল্লকপদনা ঐদি চীংমী নিঙোলনি হায়না হেক হেক লোয়শিনখিবদো। অমরোমদনা মীয়োক মীচান ফবী চীংমী তম্মী খায়খিদবী মমানা মঙজখিবা মঙলান কৈদৌঙৈ থুংহনগনি খন্না খন্না হৌখি মতম কয়া।

নোংমদি তোম্পোক্লা মমাগী নীংবা থুংহল্লগে জেসমিগী চীংনবসু কোকহল্লগে খন্দুনা জেসমিবু ময়ূমদা পূদুনা লাকখি। ময়ূম য়ৌবা মতমদুদা নুমিৎ অদুগী থাবলসু হায়ফম খঙদনা নুংওনবা অমা য়াওনা ফজখি। উপাল ৱাপাল পূম্নমক্তি তুম্পক তুম্পক লেপ্লদুনা তুমিন তুমিন লৈনরম্মী। মহৌশাগুম তোম্পোক্লা মমাবু লাক্লগে খন্দুনা নাশোল পীক্লা–

"ইমা থোঙ হাংলো ঐ লাক্লে" হায়রকখি। মমানা খুল্লাকপা ঙাইঙমদনা মখা তারকখি, "য়েংঙু ঐনা পুরক্লিবসি য়ারবরা য়েংউ। থোঙদুদি পায়রুবদা মহৌশাগুম মনীং তম্না হাংদুনা লৈরমখি। মমানা তুবৎ নাতৈ শমদুনা হেক হেক হায়রকখিবা মাগী হৈনবী "অদুম্নরা" হায়বা ৱাহৈদুদি ঙসিদি ৱাহৈ অমত্তনা মতেং পাংলকখিদরে।

## শৈরেং

### মৈরী ওইনা উরক্লে

*– ৱাজকুমারি মীনা দেবী*

হৌরক্লিবা পৃথিবীগী মৈরী –মৈশা কয়া
লায়ওং লায়চৎ খঙদ্রবা লায়না কয়া
শেম্বীবা মপুগী কায়থরক্লবা ঋতুগী খোঙচৎ
মীবু মীনা মী ওইনা খঙনরক্ত্রবা তশেংনা
শক্তি পায়জদ্রবা থৱায় কয়াবু নৈহৎপীরক্লিবা
মীচং –শঙ্গ লৈজদ্রবা থৱায় মচা মচাশিংনা
করিদি তৌরুগনি মদোম খাঙজবা নত্তনা।

চৈন্নে –ফানৈরবা থৌদোক কয়াগী মরকসিদা
কদোমদনো লেপকদৌরিবা মায়কৈসিবো
নুংশিরবী লমতা থা মানা য়ৌরক্লবদা
হঙ্গাম মপাল শাৎলবসু, মচুগী ঈথক হৌরবসু
নুংশিবা থাবল্লৈগী লৈনম কয়া লাক্লবসু
বসন্তগী ইনোৎ কয়া লাক্লবসু পূক্লিংসিদা
নুংওনবা অমত্তা লৈতরে থম্মোসে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা হয়েংগী
চারোল –শুরোলনা করি তৌহৌগনি
হীমায় লেপকদবা মায়চৌ ওঝাশিং
তাবিফম থোক্তব্রা ৱাকৎ কয়াসে
মানা মানা তৌনিংবতা মতৌই
পূক্লিং ৱাখলসু অমত্তা মান্নদনা উরি
নুংশিবা শাগৎনবগী ৱাখল্লোনসু মাঙখ্রে।

লৈখরে থৌদু নুংগুম্না করিমত্তা লেঙদনা
পূম্নমক তৌশিন্নবা ৱাখল ঙাক্তনি খনবগুম্লে
অথোৎপা অমেংবাঅমত্তা উবা ফংলক্তরে
ঐগী মীৎয়েংদা পূম্নমক মৈরি–মৈশা ওনখরে
হংজনিংই ইথন্তা ইদোম তরক ইথমোয়সিনা
তাবিনবা লৈত্রবা কনাসু ঙসিগী মালেমসিদা
করম্বা পুংজাদা চোংলক্কনি শান্তিগী ময়োন।

### ষণ

*– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

চাদবনা মবুক শিৎলবা
শাবন্দা পুল্লিবা ষণদুনা
থৌরীদু উরু–রু য়েৎশিন্না
মপি হেক তাবমখৈ খল্লি।
করিগীনো
অসুক কন্না শূ– নোম্লগা
ইবুক থন্না চাবা ফংদ্রিবা
লায়রবা লৌমীগা মরুপ ওইরিবা?
অদুগা তৈথোকপিরি
ইরিক অমা চোংবদা
লৈনম চেন্দ্রবী গল্লাগী লৈরাংদো।
ইঙকসিদা পুল্লিবা থৌরী
লেঙ নাহল্লিবা পোৎপুসিবু
করিগীনো
অসুক য়াম্না খোইদারিবা?
থৱায়না থৱায়বু ওৎপা হৌনবরা?
খল্লি,
চাদবনা মবূক শিৎলবা
শাবন্দা পুল্লিবা ষণদুনা।
থৱায়গী নীংতম্বা পামদুনা
থদৎখি থৌরীদু থাজদনা।

### অপাইবা ৱাখল

*– কামিনিকুমার*

হৌগৎলি নুমিৎ খূদিং অয়ুক ঙন্না
পাই পাউচে হেক্তা
হৈনবীনি মসি ঐগী
লানশিল্লকই য়ুমলৈমনা চা গ্লাস অমা
পাগে তৌরিঙৈ পাউচে
মান্নদে মহৌশাগা
লৌশিল্লি ঐসু চা
থক্লে হায়না থাঙ্গৎলকপদা
উরকই মীৎতা
পব্লিসিটি সেক্রেটরী ইবোপিশক।
পীবা লাকইনি জে এ সিগী চেবাও
হংই ঐনা করি লৈরে,
পল্লকই জে এ সি মাইপাক্কী ৱা
হায়দোকখি ঐসু শাওনা খুদক্তা
তোক্লসি মখোয় ৱা ওইরদি।
মখা তারকই মানা
ঐ শাওরে খঙবদগী
খন্নগদবনি পে এনোমেলি ৱা
লাকউ জে এ সি ওফিসতা
লাক্লিবা তাং তরাদা।
হংই ঐনা, শেম্বু শেমগদৌরিব্রা
লৈরে সরকারনা মতম লৌদুনা
মাঙহল্লে মতম কয়া অমা
শেমদি শেমদোকপিদনা।
খর অমগীদি শেমদোকখ্রে হায়বদাইনে?
শেলবু পীনব্রা?
শেমদোকপিদ্রবদি অকনবা ৱারেপ লৌরসি
মখা খোঙজং চঙশিন্নবা শম শারসি
থৱায় খরা য়াওবিয়ু হন্দক্তি
খুল্লকই ইবোপিশক্লা
তাঞ্জা অদুদা য়ুমলৈমনা
কৈদৌরে চা থকচিনবিদ্রবদি
হাওরিবনো কনা অনৌবী অমগী ৱাখলদা
ঐ খংপ্রেক খংই।
ইকাইরপ তৌনা চা অদু থকচিল্লি
চা অদুদি ইংদুনা লৈরম্লে।
অয়ুক্কী চাদা য়াওরকপা
অপাইবা ৱাখলসি
কৈদা অমনি পুক্লিংদা খল্লি।

### প্রজা

*– মাইস্নাম বীযেশ্বর*

লৈবাক মীয়াম অৱাবা মতমদা
ভারত সরকারদগী তেংবাঙ ফংই
ঈকং থোকএ তেংবাঙ মরাকই
ঈচাউ থোকএ তেংবাঙ মরাকই
তেংবাঙ প্রজাশিং খাঙতপ্পা মতোকইব্রা
ৱারিবা প্রজাদি শোয়দনা খঙফম থোকই
তেংবাঙ ফংই–ফংদে হায়বসে
লৈঙাকইবশিং মখল মথেলনি
ইচুম চুম্না শীন–লাংঙিব্রা।
চুমদনা লৈথোকপসু য়াওরিব্রা
খুঙ্গংগী শিন্মীশিংনা শাক্কিনি
ৱারিবদা মতেং পীবিবা ঈশ্বরগা পাঙখকনি
মসি পূম্বসে কাউথোকপসু লৈবা জাৎলা
তেংবাঙ ফংবনা খুনমীশিংনা হরাউজবা
ফংজহৌদববনা লায়র–চুদৎননা লৈহৌবা
অদুম মশানা তাকচরবনি
অশিন–অরাংশিংনা লৌমী ফীভম খঙবীয়ু
অৱাবশিংদা মতেং পীবিয়ু।
লৈঙাকপশিংবু হন্না হন্না থাগৎচগে।
মীচঙ শঙ্গা থাদোকপীয়ু প্রজাগীদমক।

### লমগী শানা য়ূম খঙলে

*– তবানু খুরাইজম*

লমগী শানা য়ূম খঙলে
য়ূমগী শানা য়ূম কাউরে
লৈতান্না লৈথোক্লে লৈচিকপদা
কাউই য়ূমদা ইঞ্জিনগনি।

লৈকাই ৱাথোক ওইহল্লি
ৱারক হৈবা মীয়াম্নি
অনিং–অপাম পাঙথোক্লে
লৈশেম য়াথং লৌনদে
ৱায়েল চৈরাক কাউনখরে।

খৎনৈ চৈনৈ য়ূম্বান্নবা
চফু উয়ান্তসু মখৎনৈ
হু হঞ্জিননৈ নুংশিনৈ চান্নে
শীঙেল শীংদা চল্লবী
শাগৈ ওল্লে কাউথোক্লে
লৈরাং মতৌ তমদুনা
মায়থোঙ মকা লাম্নরি
থম্মোয় ফীথুপ নাইবনা
চৎনবী ওইরক্লে মতমগী।

নুপা নুপী খঙনদরে
ইকায়–হঙ্গোই লাপ্নরে
থক–খা খঙনদরে
ব্যবহার মচেৎ লৈনরক্ত্রে
'সিবু মীনি হায়খিদরো
লমগী শানা য়ূম খঙলে
হঞ্জিন্নি কাউরে য়ূমদা মীনা
ইরাংগী জগোয় খুথেক্তা।

### অসিবু করিনো

*– খাইদেম ইন্দিরা*

পুন্সি হায়বসি ফাগীনি
দুনিয়াসে থোক্কীনি
সংসারসে ড্রামানি
সমাজ হায়বসি তাৎনি
মীওইবা খুদিংমক অঙাওবনি
পুন্সি ঙকইকো হা–হা–হা।

অসিরনে পুন্সি
মশীং থিঙমদ্রবা থৌদোক
ৱারী কয়াতনা শেম্বা।

অসিরনে সংসার
অরেম্বনি ময়ানি
মীহৌবা মীনম্বা ওইদবগী তুংনফম।

অসিরনে তাইবঙপান
থোক্কীগী থোক্কী ঙাক্তা।

অসিরনে সমাজ
মশীং থিঙমদ্রবা
তাৎ কয়া কয়াতনা ওইবা।

অসিরনে মীওইবা
অঙাওবগী অঙাওবা ঙক্তা।

অসিরনে পুন্সি
অশিবগী মনাক য়ৌদ্রিঙৈ।

## তাবুনুংদগী

*অরিবা মতমগী শৈরেংশিংগী মনুংদা মশক নাইবা শৈরেং অমদি 'হৈজিং হিরাউ' নি। মঙাশুবা চহীচাদা লুৱাং লৈবাক্তা পানখিবা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পূন্সিবনা ৱাকয়ে হি শাদুনা তান্নখিবা ৱারী শৈরেং অসিদা ফজনা মরিক চুম্না শৈথারি। ঈহেল চীংদা হৌরিবা পামেল উজাও অমবু হয়েং কৌবা নোংদা ইনুং সোরা তাল্লবদি শোয়দনা য়ানখ্রগনি তারবদা উ অদুগী অপোকপী পলেম মমানা তেংথাজবা, মমানা মচাগীদমক খঞ্জবা অমদি মীওইবগা মহৌশাগী খূৎশেমগা তৎনবা য়াদ্রবা মরিগী অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন শৈরেং অসিদা উৎলি। শৈরেং অসিগী মতেক অনিখক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### মমানা ৱাজবা

"পারি ইবুংঙো নঙবু
ইমানা অৱাং খাবা উল্লেন হীবু চঙহন্দা
খাম্বী মৈশা লাঙহন্দনা
তাল্লা চাউথোইবা নঙবু নাউয়োকপদি
শীংঙেন অরেম্বা লৈরাং অতিংঙা ওইরেদো
ইবুংঙো নঙবু ইমানা তাল্লা নতৌ করম য়েংশিবনো
হায়না পলেম উপী উরেন পোকপী
মালেম তম্পাক লৈরেনহনবী মমাদো
মিৎস্না থম্বাল মানবা অনীমক্তা
তরং লাইজ ইফম তাউ
চীংচুম লাইজা ঈফুৎ থোক্লুম
কৌবা ঈ হৈথবগুম
কৌরৌ নোং খোংবগুম পিকপখিয়ে।"

### লোয়শিল্লকপদা

"হা হিও হিও হিও
হিও সমদে করেংঙা
হি নঙবু হোন্দেদা
লাইনংথৌবু হোনবনে
হি নঙবু হোন্দেদা
লাইরেম্মবু হোনবনি
হিও সমদে তরেংঙা
খুঞ্জাও লৈচাউনবা হোনবনি
লৈবাক মরা তপ্পবা হোনবনি
চাহোং ঙাহোংনবা হোনবনি
পারি শুক্তানবা হোৎনবনি
ইমোম শোইতানবা হোনবনি।"

## মণিপুরী পান্ছে –পাউরৌ, পাউতাক

* **খুদোংবু চারবদি লম্বোইবসু শমজেৎ লাকই।**
  – মীওইবা হায়বসি তাঞ্জাবু ফংলবদি কান্নবা থিরকই।
* **খুদাং পিফম তৈনা হিংবা পূন্সি।**
  –কপ্পুনা হিংবা পূন্সি।
* **খূৎ তেকপনা পোৎলুম পুবা।**
  – ঙম্লোইদবা থবক তৌবা।
* **খূৎ চন্দ্রিমখৈ থাজরুনু।**
  – ইখুত্তা লৈত্রিমখৈ থাজবা চুমদে

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- লম্ভুমগীদমক বেদ তল্লিবা অদুগা শুদ্রগী চাক চারবা ব্রাহ্মণদু করি কান্ননি, মহূ য়াওদ্রবা লিনগুম্মী।
- মহাক্লা শাউরকপদা অকিবা পীদ্রবা, পেল্লগসু মনা মথুম পীরক্ত্রবা, মহাক অদু কান্নদ্রবনি। পেনবীরগা কনবীদ্রবা মীদুনা শাউরক্লগা করি তৌগদৌরিবা?
- মহূ য়াওদ্রবা ফাওবদসু লিন্না মকোক থাঙ্গৎতুনা ফনদোকই। উৎলিবা অকিবা শক্তমদুনা অদুম য়ারে, মীনা হূ য়াওবা য়াওদবা খঙবা নত্তে।
- অপঙবা মীনা অয়ূক্কী মতম জুৱা শান্নদুনা, নুংথিলগী মতমনা নুপী নহা লোয়নদুনা অদুগা নুমিদাংগী মতমনা হুরান্দুনা মাঙহল্লি।
- (ভগবানগীদমক) মখূৎনা লৈ পরেং লেঙলিবা, মখূৎনা চন্দন তক্লিবা, মখূৎনা লাইশোন ইরিবা মহাক্লা ইন্দ্রিদগী নুংঙাই য়াইফবু নমদুনা লৌই।
- চু, থোইদিং, অতোনবা জাৎকী মী, লোয়নবী নুপী, সনা অদুগা লৈবাক, চন্দন, শঙ্গোম অফম্বা, থ্বা হায়রিবশিংসি তকখায়রিবা অদুক্কী মখৈ মগুণ হেনগৎলি।
- খাঙবা কন্না মায়োক্লরবদি লাইরবসি থোইনা ৱারোই, অচম্বা ফিসু লূনা শীজিন্নবদা হন্থনা উরোই, হাউতবা চীঞ্জাকসু ফজনা থোঙলগা শানা চারবদি অমাঙবা পীরোই, অথীবা শক্তমসু অথুম্বা ৱাঙাং, ফজবা লমচৎ অমসুং নীংথিনা মী লোয়নবা হৈবদা অৱাবা ওইরোই।
- লন ৱাৎপবু লায়রবা কৌদে, বিদ্যা লৈববু ইনাকখূনবা কৌই, তৌইগুম্বসুং মহৈ হৈতবদি হীরম খুদিংদা ৱাৎলবনি।
- খোঙ থাঙদ্রিঙৈদা য়েংগনি ঈশিংবু থক্ত্রিঙৈদা চুমথোক্কনি, শাস্ত্র য়েংলগা ঙাংগনি অদুগা পূক্লীংদা খল্লগা থবক তৌগনি।
- নুংঙাইবা পাল্লগা বিদ্যা থাদোকউ, বিদ্যা পাল্লগা নুংঙাইবা থাদোকউ। নুংঙাইবা পাম্বনা কদায়দগী বিদ্যানো, বিদ্যা পাম্বনা কদায়দগী নুংঙাইবনো?
- কবিনা উদবা করি লৈ, নুপীনা তৌবা ঙমদবা করি লৈ? য়ু থক্লবা মীনা হায়বা ঙমদবা করি লৈ? ক্বাক্লা চাদবা করি লৈ?
- লাইবক্লা চাক্লিববু নিংথৌ, নিংথৌবু চাক্লিবা অদুগা লল্লেববু লায়রবা অমসুং লায়রববু ইনাখূনবা ওইহল্লি।
- পীনিংদবা মীদা নিরবা মী য়েক্লবনি, অপঙবশিংদা ফনবা তাকপীবা মী য়েক্লবনি, মচৎ লুদবী নুপীগীদি মপুরোইবনা য়েক্লবনি অদুগা হুরানবগী য়েক্লবনা থানি।
- মহৈ হৈত্রবা, খাঙবা কন্দ্রবা, পীথোক্কন্দ্রবা, লৌশিং লৈত্রবা, লমচৎ ফজদ্রবা, মগুণ লৈত্রবা অদুগা ধর্ম্ম লৈত্রবা মীদুদি পৃথিবী লূম্নবা মচাক্লি, মীগী শক্তম লৌবা কোয়চৎ চৎলিবা শানি।
- খন্থবা ঙমদবশিংদা তাকপী তম্বীবনা কান্নদে, মলয় চীংদা হৌদুনসু ৱা পাম্বীনা চন্দনগী মগুণ লৈবা হৌনদে।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১১। অরুম্বা পুরগা পোত্থাদবা অয়াংবা পুরগা পোত্থাবা করিনো?

১২। অহল অমা চৈশু শুরদুনা তুরেল অমগী মপান্দা লাকই। তুরেলদু লান্নবা হাৎনৈ। অনকপদা নুপীমচা অমা ফি শুবা উই। হনুবদুনা নুপীমচাদুদা হংই, "ইবেম্মা তুরেলসি কদায় ৱাইদনা খরা হেন্না থেনবগে?' নুপীমচাদুনা খুল্লকই, "ইপুবোক ঐদি খঙজদে নতাওদা হংবিয়ু।" করি হায়রিবনো?

১৩। অমুক্তং হকচাং কেবদা থা অমরোম চৎপা করিনো?

১৪। অচুম্বগা অরানবগা কয়াম লাপ্নে?

১৫। অমুনবদগী অশংবনা হাওবা করি হৈনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৩–০২–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১) হি হোনবা, ২) হি লমজেল তান্নবা, ৩) খোই চোপ্পা, ৪) পয়ানা ৱা পুনবা, ৫) লিন চৎপা। ৬) কাকফৈ চৎপা। ৭) য়োংচাক অরিবা, ৮) পুং অনি তাবা, ৯) হৱা গারী শেম্বা, ১০) থরাইকোকপি

## চয়োল্লসিগী ফাগী

**অফবা হিদাক !!**

কালেন চংলকপগী নুংশা য়াকখৎলক্লবা মতমগী নোংমা, ইম্ফালগী কাংজেবুং মনিংগী মচি অমদা মশা নানবা লম্লানবা নহা অমা কোইলাও লাওদুনা হিদাক য়োল্লম্মী–" পূন্সি চুপ্পগী ওইনা চাক্তা হয়িং তোংদনবা হিদাক লৈবিয়ু, অহোংবা মমলদা হয়িং তোংদনবা হিদাক লৈবিয়ু, অহোংবা মমলদা হয়িং তাম্থোক্লবা ফরবা হিদাক লৈবিয়ু, মমল লুপা অমখক্তনি... অমুক্তা চাং য়েংবিয়ু ... চাক চারমদাইদা চাক চারমদাইদা পুখম মনাক্তা অমুক্তং হাংদোকপিবদা পূন্সি চুপ্পগী ওইনা হয়িং তোংহন্দবদা কান্নরগদবা হিদাক লৈবিয়ু...।" মাগী ৱাদুদা অচৎ অওক ময়াম ওমশিন্নদুনা চেজেৎনা পিক্লা য়োম্বা ময়োম মচা মচা ময়াম লৌনৈ। ময়াম্না চাক চারমদাইদতা ময়োমদু হাংদোক্লরুবদা হিদাক্তি অমত্তা য়াওনরমদে, অদুবু চেজেৎতুগী মনুংদা ময়েক লানা ইরম্বা থেংনৈ – "খূৎ য়েৎনা চাক হুক্লিঙৈদা ওইগী খূৎনা হয়িং হুম্বা কাওবিগনু।"

**অচুম্বা ৱাফম !!**

জেন এন হোস্পিটালদা নর্স ওইবী অমগী মপুরোইবদু, মাগী ওফিসতা শোয়দুনা তুশিনবদগী মখোঙ তেক্লবদা ময়াম চঙদুনা মাগী নুপীনসু নর্স ওইরিবা জেএন হোস্পিটালদা পুখৎনবা থৌরাংলম্মী। মদুদা নুপা – জে এন হোস্পিটালদা পুবিগনু, রিমস (লম্ফেলগীদা) তা পুবিয়ু।

ময়াম – কৈগীনোনে? জেন এন দদি নখোয় ' ইবেম্মসু লৈরিবনিা খূদোং চারোইদরনে?

নুপা – হঃ ঐ তঞ্জে ঐখোয়' নুপীদা 'সিষ্টর' কায়না কৌজরুবা ঐ ঙমজরোই।

**পাউ ফাওনবা !!**

মতৈ মনাও উংখৎনবদগী ৱা লানকা অমত্তা ঙাংনদনা লৈনরকপা কুইরকখ্রে। মরক মরক্তা তঙাই ফদবা লৈবদগী পাউ পাওনবা তারবসু চেদা ঈনদুনা অমনা অমগী ফমুংদা করিদা থম্নরগা খঙনহল্লম্মী। নোংমদি নুপাদুনা ইরম্মী–"হয়েংদি য়াম্না লুবা থবক অমা নোংঙান্দ্রিঙৈ হৌগত্তুনা চত্তবা য়াদে, পুং ৪ দা খরা হৌদোরকউ?" নোংঙাল্লগা নুপাদুনা মহৌশাগুম মীৎকপ থোরকপদদি নুমিৎ থোরক্লম্লে। ঙন্তা চৎকনি থৌরাংজবা থবক শোয়বগীদমক মপূক্লিংদা মাগী নুপীবু ওখাক শাওনিংলম্মী। অদুবু মাগী মোন ময়াদা চেবাং অমদা লানা ইদুনা লৈরম্বা থেঙনৈ "থবক চৎকনি হায়বদায় পুং ৪ তারে হৌগৎপিরো।"